# ১৫শুবা চান্দম ইনুংঙান্বী মেমোরিয়েল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পিএফসি ফাইতোল অমদি চিকিম এফসি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩০ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা থা অসিগী ২৭ তগী টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ১৫শুবা চান্দম ইনুংঙান্বী মেমোরিয়েল মিনি বোইজ (য়ু-১৩) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পিএফসি ফাইতোল না কেএমৱাইসি কমানামেন্টবু গোল ৬-০ দা মায়থিবা পীখ্রে অমদি চিকিম এফসি না পিএসজি কলিনাগরবু ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ অসিদা পিএফসি ফাইতোল অমদি কেএমৱাইসি কমারঙ্গা টিম অনীনা শান্নখি। কেএমৱাইসি কমারঙ্গানা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা পিএফসি ফাইতোলনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফতা পিএফসি ফাইতোলগী শান্নরোই সৈথাংনা ১২শুবা মিনটতা ৱিল্লিয়ম না ২০ শুবা মিনটতা অমদি সৈথাং না ৩৩ শুবা মিনটতা গোল ৩ চন্দুনা একাউন্ট হাংদোক্তুনা কেএমৱাইসি কমারঙ্গাবু গোল ৩-০ দা মাংজিন থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা পিএফসি ফাইতোল টিমগী শান্নরোই মাং চুংনুং না ৫৮শুবা মিনটতা, লালরোইলু না ৬২ শুবা মিনটতা অমদি ৱিল্লিয়মনা ৬৪শুবা মিনটতা গোল ৩ গা অমুক চনশিন্দুনা পিএফসি ফাইতোলনা কেএমৱাইসি কমারঙ্গাবু গোল ৬-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা পিএফসি ফাইতোলগী শান্নরোই ৱিল্লিয়মনা ২শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচ চিকিম এফসি অমদি পিএসজি কলিনাগর টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা চিকিম এফসিনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা পিএসজি কলিনাগরনা বোল কাওবা হৌখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা পিএসজি কলিনাগর টিমগী শান্নরোই ইমানুয়েল না ৪শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখি। অদুগা চিকিম এফসি গী শান্নরোই শান্নরোস পাওটিনসেম না ২৩শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা টিম অনীমক গোল ১-১ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চিকিম এফসি গী শান্নরোই থাংগৌচুং না ৩৬ শুবা মিনটতা অমদি লালবোইনা ৪০ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা পিএসজিগী কলিনাগর টিমগী শান্নরোই লালন্যুনা ৪৮শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি। মেটচ অসি চিকিম এফসি না পিএসজি কলিনাগরবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচ ওইনা হয়েং লীগ রাউন্দ ষ্টেজ ৫শুবা রাউন্দগী অহানবা মেটচতা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমদি কুকি এফসি অমসুং অনীশুবা মেটচতা আরৱাইসি রমজাইজাং অমদি লালপানি এসসি টিম অনীনা লম্বা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা ভি জোয়েল, অজিজ হায়দর, একা সিংসন অমদি জিম্মী সিংসন না সেন্টর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# কোটিফ কপ্তা কমলা দেবীনা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ঃ
ইং ২০১৭ কী এ আই এফ এফ ৱুমেন প্লেয়র ওফ দি ইয়র মীং থোল ফংখ্রবী মণিপুরী মচা কমলা দেবীনা লাক্কদৌরিবা কোটিফ কপ্তা ইন্দিয়া টিমবু হেন্না ফবা, মপাঙ্গল কন্বা টিম অমা ওইহন্নবগী মীৎয়েং থল্লি। মপান লমগী ঈশিং-নুং শিত্তা অমুক্তা মায়োক্নখিদ্রিবা ওপোনেন্টশিংগা লম্বানবা হায়বসি অরুবা ৱাফম ওইরবসু ইন্দিয়া টিমনা সব-কন্টিন্টে অসিদদি মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবা উৎপা ঙমখ্রবনি। সাফ চেম্পিয়ন্সিপ অহুম্লক থংননা চেম্পিয়ন ওইদুনা অফবা টিম অমগী মগুণ কয়ারক উৎখ্রবনি হায়নসু ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল কমলা দেবীনা ফোংদোকখিবসু লৈরি।



মশাগী চহি ২৬শুরবী কমলা দেবীনা অঙাং অমগুম মাগী শান্নরকপগী পাউদমদা মহাক অহানবদা ফুটবোল শান্নরমদে। ক্রিকেট, সেপাক তাক্রো শান্নরম্বদগী ঈশ্বরনা মাবু ফুটবোলগী লম্বীদা পুশিনখিবনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ঙসিদি ইন্দিয়ান ফুটবোলগী ফিদমনিঙাই ওইরবী শান্নরোই অমা ওইদুনা মীংচৎকী উরোং খিনবা ঙম্লে। ইং ২০১৬ কী সাফ গেমসতা তোপ স্কোরর তাখ্রে, ইং ২০১২ গী সাফ গেমসতসু বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখিবীনি।

সেনিয়র ফুটবোল্লর অমা ওইনা কমলা দেবীনা মহাক্কী টিম ইন্দিয়ানা অমুক্তসু থেংনদ্রিবা সব-কন্টিন্টে ৱাংমগী টিমশিংগা থেংনবদা হেন্না হৈ-শিংবা উৎথোক্নবগী ইথৌ লাংবা লৈরি।

নিংশিংবা য়াই কমলা দেবী এ আই এফ না ২০১৭ কী ৱুমেন প্লেয়র ওফ দি ইয়র তাইটল পীখ্রবনি। মতম শাংনা ইন্দিয়া টিমগী ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইনা ইন্দিয়াবু মায় পাকপগী লম্বীদা কয়ারকপ লমজিংখ্রবীনি।

# অহানবা ওদিআইদা সাউথ আফ্রিকানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে

দমবুল্লা, জুলাই ৩০ঃ
সাউথ আফ্রিকানা শ্রী লঙ্কাদা টুরদা তৌদুনা শ্রী লঙ্কাদা লৈবা রংগিরি দামবুল্লা ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা টিম অনীনা শান্নখিবা অহানবা ওদিআইদা সাউথ আফ্রিকানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা শ্রী লঙ্কানা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কানা ওভর ৩৪.৩ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৯৩ লৌবা ঙমখি।



শ্রী লঙ্কাগী রনশিং অদু নিরোসন দিকৱেল্লা (ৱিকেট কিপর) না বোল ৩ দা রন ২, উপুল থারাঙ্গানা বোল ১৭ তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১০, কুসাল মেনদিসনা বোল ৬তা রন ৩, কুসাল পেরেরানা বোল ৭২ দা ফোর ১১ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৮১, এঞ্জেলো মেথিয়ু (কেপ্টেন) না বোল ৮ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫, সেহান জয়াসুরিয়ানা বোল ৮দা রন ০, থিসারা পেরেরানা বোল ৩০ দা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৪৯, অকিলা দানাজায়া না বোল ৩০ দা রন ১১, সুরঙ্গা লাকমলনা বোল ১৬ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৬, লাকসন সান্দকান না বোল ১৩ দা রন ৫ অমদি লাহিরু কুমারানা বোল ৬ দা রন ৩ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা সাউথ আফ্রিকাগী বোল্লর কগিসো রবাদা না ওভর ৮ দা ৱিকেট ৪ অমদি ৱাইদ ৭ পীরগা রন ৪১, লুঙ্গি ঙসিদি না ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ অমদি ৱাইদ ৪ পীরগা রন ২৯, ৱিল্লেম মুলদরনা ওভর ৩ দা ৱাইদ ১ পীরগা রন ৩৪, এন্দিল ফেহলুকৱায়োনা ওভর ৩ দা ৱাইদ ১ পীরগা রন ৩০, তাব্রাইজ শামসিনা ওভর ৮.৩ দা ৱিকেট ৪ পীরগা রন ৩৩ অমদি জিন পাউল দুমিনি না ওভর ৪ দা রন ২২ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাউথ আফ্রিনা ওভর ৩১ দা ৱিকেট ৫তুরগা রন ১৯৬ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাবু সাউথ আফ্রিকানা ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা সাউথ আফ্রিকাগী রনশিং অদু হসিম অম্লানা বোল ১৪ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৯, ক্কুইন্তন দি কোক (ৱিকেট কিপর) না বোল ৫৯ দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৪৭, আইদেন মার্ক্রমনা বোল ১ দা রন ০, ফাফ দু প্লেসিস (কেপ্টেন) না বোল ৫৬ দা ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৪৭, জিন পাউল দুমিনিনা বোল ৩২ দা ফোর ৬ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৫৩, দেভিদ মিল্লরনা বোল ১৩ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১০, ৱিল্লেম মুলদরনা বোল ১১ দা ফোর ৩ দা রন ১৪ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কাগী বোল্লর অকিলা দনাঞ্জায়ানা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৫০, সুঙ্গা লাকমলনা ওভর ৬ দা ৱিকেট ১ লৌরগা অমদি ৱাইদ ২ পীরগা রন ৩৭, সেহন জায়াসুরিয়ানা ওভর ৪ দা ৱাইদ ১ পীরগা রন ২৩, লাহিরু কুমারানা ওভর ৩ দা ৱাইদ ১ পীরগা রন ১১ অমদি লাকসন সেন্দকননা ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ লৌরগা অমদি ৱাইদ ১ পীরগা রন ৭৪ পীখি।

# ৫শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৮







ইম্ফাল, জুলাই ৩০ঃ
ওল মণিপুর জিমনাসিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী মখাদা সুপর জিম খুরাইনা স্পোন্সর তৌদুনা খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দা লৈবা ইমা লাই খুলেম্বী শংলেনদা চথরক্লিবা ৫শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৮ কী শান্নখিবা ফিটনেস কেতেগোরিদা দি জিম ফিটনেসদগী এমদি ফরিরুল হকনা অহানবা পোজিসন, এক্স ফিটনেস ৱাঙ্খেদগী লৌরেম্বম মৈরাবা মৈতৈনা অনীশুবা পোজিসন, কেএফসি শিংজমৈদগী সোরোখাইবম গাগানচন্দ্র না অহুমশুবা পোজিসন, এক্স ফিটনেস ৱাঙ্খেদগী লাইময়ুম দেবিদ মৈতৈ না মরিশুবা পোজিসন, কেএফসি শিংজমৈদগী নিংঙোম্বম বুস মৈতৈনা মঙাশুবা পোজিসন অমদি কেপিসি ক্যামৈগেদগী চিংঙাখম বোরলিন সিংহ না তরুকশুবা পোজিসন তাখ্রে।

কন্টেষ্ট অসিগী জুনিয়র কেতেগোরিদা রোয়েল জিম নিংঙোমথোংদগী রঞ্জিৎ সৌগ্রাকপমনা অহানবা পোজিসন, সুপর জিমদগী জয়দেব থাংজমনা অনীশুবা পোজিসন অমদি অনন্দ ফিটনেস শওম্বুংদগী হাওবম তোম্বা মৈতৈ না অহুমশুবা পোজিসন, রোয়েল জিম নিংঙোমথোংদগী সাপম লময়ানবা মৈতৈনা মরিশুবা পোজিসন অমদি জিম অসিমক্কী খুনদোংবম জেক্সন না মঙাশুবা পোজিসন তাখ্রে।

সেনিয়র কেতেগোরিদা প্রভাবটি ফিটনেস সেন্টরদগী এল গোপেশ্বরনা অহানবা পোজিসন, সুপর জিমদগী এন্থোনি জৌনা অনীশুবা পোজিসন, এলকেএফ জিমদগী দব্লিউ প্রিয়োব্রতা না অহুমশুবা পোজিসন, রোয়েল জিম নিংঙোমথোংদগী লৈশাংথেম রোবার্ট মৈতৈ না মরিশুবা পোজিসন অমদি য়ু ফিটনেস অকাম্পৎতগী এল তোনি না মঙাশুবা পোজিসন তাখ্রে।

মাষ্টর কেতেগোরিদা সুপর জিমদগী এন্থোনি জৌনা অহানবা পোজিসন অমদি য়ু ফিটনেস অকাম্পাৎতগী নামৈরকপম ওজিৎ সিংহ না অনিশুবা পোজিসন তাখ্রে।

# শ্রী লঙ্কাদা পাঙথোকপা ফার্ষ্ট য়ুথ ওদিআইদা ইন্দিয়া য়ু-১৯ না শ্রী লঙ্কা য়ু-১৯বু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখ্রে

কলম্বো, জুলাই ৩০ঃ
শ্রী লঙ্কাদা ইন্দিয়া য়ু-১৯ দা তুর তৌদুনা শ্রী লঙ্কাদা লৈবা কলম্বোদা লৈবা পি সারা ওভেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফার্ষ্ট য়ুথ ওদিআই মেটচতা ইন্দিয়া য়ু-১৯ না শ্রী লঙ্কা য়ু-১৯ বু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা শ্রী লঙ্কা য়ু-১৯ দা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কানা ওভর ৩৮.৪ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১৪৩ লৌবা ঙমখি।

শ্রী লঙ্কাগী রনশিং অদু নভুদ পারানাভিথানা বোল ২৪ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৫, নিসান মদুসকা (ৱিকেট কিপর) না বোল ২ দা রন ০, নিপুন দনাঞ্জায়া (কেপ্টেন) না বোল ৪৫ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৩, দুৱানিদু ফর্নানদো না বোল ৬ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৬, পেসিন্দু সুরিয়াবান্দারা না বোল ৭ দা রন ৪, দি এন ৱেল্লালাগ না বোল ৪৭ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৩, এসটি মেনদিসনা বোল ৯ দা রন ৪, লাকসিথা মনাসিংহে না বোল ২৫ দা রন ৯, নিপুন মালিঙ্গানা বোল ৩৯ দা ফোর ৩ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৩৮, নিভিন নিরমল ফর্নন্দো না বোল ২৪ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১০, অভিসকা লাকসননা বোল ৫ দা রন ১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ইন্দিয়া য়ু-১৯ গী বোল্লর মোহিৎ জনগ্রানা ওভর ৭ তা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৪, য়াটিন মাংৱানি না ওভর ৭তা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩৫, অজয় দেব গৌদনা ওভর ৬.৪ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ১৮, অয়ুস বাদোনিনা ওভর ৯ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩৭, সিদ্দর্থ দেসাইনা ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৫ অমদি সামির চৌধারিনা ওভর ১ দা রন ৮ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ইন্দিয়া য়ু-১৯ না ওভর ৩৭.১ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৪৪ লৌদুনা শ্রী লঙ্কা য়ু-১৯বু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখিবনি।

ইন্দিয়া য়ু-১৯গী রনশিং অদু পৱান সাহনা বোল ১৭তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১২, অনুজ রৱাটনা বোল ৮৫ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫০, জাইসৱালনা বোল ৩৭তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৫, অরিয়ান জয়াল (কেপ্টেন অমদি ৱিকেট কিপর) না বোল ৩৩ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২০, সমির চৌধারিনা বোল ৩৫ দা ফোর ৩ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৩১, অথারৱা তাইদেনা বোল ১৮ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৯ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কা য়ু-১৯ গী বোল্লর নিপুন মালিঙ্গানা ওভর ২ দা ৱাইদ ১ পীরগা রন ১৫, নাভিন নিরমল ফর্নন্দোনা ওভর ৬তা ৱাইদ ১ পীরগা রন ২০, মনাসিংহেনা ওভর ৯ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩২, অভিসকা লাকসননা ওভর ৮.১ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪০, দি এন ৱেল্লালাগনা ওভর ৮ দা ৱাইদ ৩ পীরগা রন ২২ অমদি এস টি মেনদিসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৫ পীখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com